**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-11-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** জিরিবামগী জাকুরাধোরদগী অঙাং য়াওনা মীচম তরুক ফাজিনখিবা অদু ফংননবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা কন্না হোৎনরি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমদা হায়-জিরিবাম অমসুং বোড়োবেক্রাগী এরিয়াদা রাজ্য পুলিসকী আই.জি. অমসুং দি.আই.জিগী রেঞ্জতা লৈবা সেনিয়ার ওফিসারশিং লৈদুনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং কুপা য়েংশিল্লি।

অমরোমদা, ইরাং থোকপা য়াই হায়না চিংনবা মফম কয়াদসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**ষ্টুদেন্ট (এল)ঃ** জিরিবাম ষ্টুদেন্টস ফোরম ইম্ফালনা জিরিবামগী জাকুরাধোরদা মীতৈশিংগী মথক্তা চত্থখিবা কা হেনবা হিংশাগী থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং দি.জি.পিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা জাকুরাধোরদা অহল ওইরবা মীওই অনি মৈ থাদুনা হাৎখিবা অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই তরুক ফাজিনখিবগী থৌওং অদুগী মতাংদা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা, জিরিবামদা লৈরিবা মীয়াম নীংথিনা ঙাকপী শেনবীনবা অমসুং জিলা অদুগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি থম্বীনবা ৱাফমশিং য়াওরি।

মহৈরোইশিং অদুনা ঙরাং মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী গেটতা ৱাকৎ খোঙজং অমসু চত্থখি। ৱাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই তরুক ফাজিনদুনা থল্লিবা অদু অথুবা মতমদা থাদোকপীরকবা আপিল তৌখি। জিরিবামগী এম.এল.এ. আশফ উদিননা হন্দক্তা জিরিবামদা লাক্তুনা খুঞ্জাশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম-মহাক্তি করিগুম্বা শক্তি অমত্তা লৈতে, মুখ্য

মন্ত্রিনা মঙোন্দা জিরিবাম চৎনবা হায়দে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অদু য়াম া দায়ত্ব য়াওদবা ৱাফমনি হায়নসু মহৈরোইশিং অদুনা পেন্দবা ফোংদোকখি। মশামক্কী বিধান সভা কেন্দ্রদা লৈরিবা মীয়ামনা অৱা-অনা তাবা মতমদা য়েংশিনবা হায়বসি কেন্দ্র অদুগী এম.এল.এগী মথৌনি হায়বসি খঙদবা মানবা ৱাঙাংশিং ফোংদোকখিবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথুখিবা ওপরেসনদা লুপা কোতি ৭৪ লাখ ৫২ রোমগী আইননা য়াদনা পুশিল্লকপা ক্বা সুপারি মরুশিং ফারে।

অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ফাগৎলবা ক্বা সুপারি মরুশিং অদু তোঙান তোঙানবা ত্রক ৫৩ দা ম্যান্মরোমদগী ঙমখৈ লান্না পুশিল্লকখিবনি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিলা অসিগী নারুমদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা লুপা কোতি ২৩ রোমগী মমল ওইগদবা ক্বা সুপারি বেগ লিশিং ৩,৪০০ ফাগৎখি। সিতা ভিলেজতগীনা লুপা কোতি অমা লাখ ৭৬ রোমগী মমল ওইগদবা ক্বা সুপারি বেগ ২৫৫ ফাগৎখি। আর.আর.সি. ভিলেজতা চথুখিবা ওপরেসনদনা লুপা কোতি অনি লাখ ৭৬ রোমগী মমল ওইগদবা ক্বা সুপারি বেগ ৪০০ ফাগৎখি। লমলোং খুনৌদগীনা খ্বাইদগী য়ামা লুপা কোতি ৪৭ রোমগী মমল ওইগদবা ক্বা সুপারি বেগ লিশিং ৬,৮০০ ফাগৎখি।

**মেসেজ (এল)ঃ** গুরু নানক দেবজিগী মপোক কুমওননা লাকপদা রাজ্যপাল-লক্ষ্মন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা সিখ কাংলুপকী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা হায়-গুরু নানক্কী মীওইববু নুংশিবগী ফজরবা ৱাখল্লেনা অদু মীপুম খুদিংমক্কী মফমদা ঙসিসু ফজরবা পাউজেল ওইনা লৈরি। মহাক্কী মপোক নুমিৎনা লাকপদা মীওইবা খুন্নাইগীদমক ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নরসি। গুরু অসিনা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং ইন্দুনা

চৎমীন্নরসি হায়রি। মহাক্কী মপোক নুমিৎনা লাকপদা মনিপুরদা শান্তি লৈবা অমদি চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**ৱেদর (এল)ঃ** মনিপুরদা ইংবগী ফিভম তপা তপা হেনজিল্লক্লি। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা ঙরাং ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১৩ য়ৌখি।

বিষ্ণুপুর অমসুং নোনে জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রী ১৪, ককচিং জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রী ১৬, কাংপোকপী জিলাদা সেলসিয়স দিগা ১২ অমসুং সেনাপতি জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রী ১০ য়ৌনা ইংখি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী পনচাই ভিলেজতা লৈবা রির্টন দ্রোপস লাইফ চিলদ্রেন হোমদা ঙরাং আইনগী লমদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ভারত সংবিধানগী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা আইনশিং হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অদু মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমসুং নেসনেল লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মখাদা চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। অঙাংশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**মিজোরাম ঃ** দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতিরাদিত্যা সিন্ধিয়ানা হায়রি-হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং খোঙজেল য়াংনা পায়খৎলক্লি।

আইজোলদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্

দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী ইঞ্জিন অমা ওইহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা কন্না হোৎনরকপদগী ঙসিদি লমদম অসি শিংথানিংঙাই ওইনা চাউখৎ মায়কৈদা চংশিল্লক্লি। খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংগা ফাওনবগী থোং ওইগদৌরিবা অৱাং নোংপোক লমদমবু নীংথিনা চাউখৎহনদুনা লমদম অসোমগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফাগৎহনবা অমদি হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি এন.দি.এ. সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মহাকা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমদা হৌজিক ইয়ারপোর্ট ১৭ লৈরে। মসিগী মথক্তা লমদম অসোমগী রাজ্য খুদিংমক রেলগাড়িনা শমহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা অহানবা বোড়োলেন্দ মহোতসব হৌদোক্লগনি।

নুমিৎ নিনি চুপা চত্থগদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা বোড়োশিংগী লোল, সাহিত্য অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী পাউনা হায়-মহোতসব অসিনা অসামগী য়েলহৌমী বোড়োশিংগী ইনাক খুল্লবা নাৎ-চৎনবীশিং য়োকখৎতুনা থমবা অমসুং মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা বোড়ো পিছ একোর্দপু নীংশিংদুনা মহোতসব অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

**দ্রৌপদি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ত্রাইবেল মীয়ামব্ মপুং ফানা চাউখৎহল্লবা মতমদা লৈবাক অসিগী অশেংবা চাউখৎপগী শক্তম ওইগদৌরিবনি।

জন জাতিয়া গৌরফ দিবসকী মাংওইননা জাতিগী মীয়ামদা ঙরাং ৱা

ঙাংবগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-চহি চা কয়াগা লোয়নরবা শক্তম লৈরিবা ত্রাইবেল মীয়ামগী তোপ তোপ্পা শক্তম অসি জাতি অসিনা মপুং ফানা শক খঙলি। মখোয়দা অনৌবা চাউখৎ থৌরাংগী খুদোংচাবশিং নিংথিনা ফংহনদুনা মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পুলিস ষ্টেসন তরুক্কী এরিয়াদা অফস্পা অমুক চৎনরে অমদি জিরিবামদগী ফারগা পুখিবা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক থাদোকবা খোঙজংশিং চংশিন্নখ্রে হায়বা পাউ, ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-পুলিস ষ্টেসন তরুক্কী এরিয়াদা অফস্পা অমুক চৎনরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা পাউচেদা-জিরিবামগী লান-জে.এ.সি. শেমখ্রে, পুং ৭২ গী মনুংদা চৈরীাক পীগদবনি। জে.য়ু.সিগী খোঙজং লাউথোকখ্রে, এম.এল.এ. বোইকোট তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

জিরিবামদগী ফাখিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নখ্রে হায়বা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর ন্যুজতসু ফোংলি

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-সেক্যুরিতিগী চেকশিন থোরাংগা লোয়ননা ককচিংদা লৌ লোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্ড লাউথোকখ্রে হায়বগী পাউ সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজ পাউচেদা-গাড়ি চেন্দবগী নমাদা পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োল্লম্বশিং এক্সন লৌগনি হায়বা কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিবুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-অঙাংগী নুমিৎতা মহৈরোইশিঠনা অঙাং অমসুং নুপী

ফাজিনবগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

থোক্লিবা লান অসি লোইশিন্নবা এম.এল.এ. ৫০ না দিল্লিদা চৎতুনা থোঙ থিনবা মতম ওইরে হায়বা শিব সেনা মনিপুরগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ফাজিনখিবা তরুক অথুবদা থাদোরকবা বি.জে.পিনা আপিল তৌখ্রে, গভর্নর অমসুং য়ুনিয়ন মিনিস্তরদা মখোয়বু রেস্ক্যু তৌনবা তকশিনখ্রে হায়বা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদানা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-অবার্ন লোকেল বোদিশিংদা মপুং ফাবা পৱার পীদবা ষ্টেট ১৮ গী মনুংদা মনিপুর য়াওরল্লে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ভারত লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা হৌজিক ওইরিবা মনিপুরগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ-পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোংদা আর্টিফিসিএল ফুটবোল তর্ফ গ্রাউন্দ অমা শঙ্গাখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-লিয়াংমৈ গ্রামার হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফোংখিবা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মরিশুবা জন জাতিয়া গৌরফ দিবস ২০২৪ সেনাপতিদা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।